# মমতা বেনর্জি থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টরগী ৱাশক লৌখ্রে



কোলকটা, মে ০৫ (এজেন্সী):
কোভিদ লাইচৎ অমসুং মীখল মতুংগী ঈরাং মরক্তা মমতা বেনর্জি থংন-থংননা অহুম্লকশুবা ওইনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর ওইনা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ৱাশক লৌখ্রে।

কেবিনেট অমসুং কাওন্সিলগী অতৈ মিনিষ্টরনা রবিন্দ্রনাথ টেগোরগী মপোক কুমওন নুমিৎ মে ৯দা ৱাশক লৌগনি।

ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবা অসি বেঙ্গোলিদা ৱাশক লৌখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদু কোভিদকী কাংলোনশিং ঙাক্লগা রাজ ভবনগী থ্রোন রূমদা পাঙথোকখি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা বেঙ্গলগী ইলেক্সন্দা মমতা বেনর্জিনা চাওনা মায় পাক্তুনা থংন-থংননা অহুমশুবা টর্ম অমগসু পায়গদৌরিবনি। মীখল অদুদা ষ্টেট এসেম্বলিগী অপূনবা সিট ২৯২গী মনুংদা মমতাগী পার্টি ত্রিনামুলনা সিট ২১৩ ফংখি। অমরোমদা পার্টি অসিনা খ্বাইদগী কন্না লম্বা তৌনখিবা বি জে পিনা সিট ৭৭ ফংখি।

মমতা বেনর্জিনা নাবানাদা লৈবা মহাক্কী ওফিসতা চঙশিনবগা লোয়ননা মফম অদুদা কোলকটা পুলিসনা গার্দ ওফ ওনর পীগনি।

মহাক্না ষ্টেট অদুগী কোভিদ অমসুং লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমগী মতাংদা মকোক থোংবা ওফিসলশিংগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মহাক্কী অনৌবা টর্ম হৌরবা য়াই।

নোংমাইজিং নুমিত্তা মীখলগী ফল লাউথোকখিবদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মফম কয়াদা ত্রিনামুল কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী মরক্তা ঈরাং থোক্লকখি। ভাইওলেন্স অদুগী মতাংদা পার্টি অনীগী মরক্তা অমনা অমবু মরাল শীনখি।

মীখল মতুংগী ঈরাং অদুগী মতাংদা মমতা বেনর্জিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা এন দি টি ভিগী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি মদুদি, মীখলদা চাওনা মায়থিবা নংলবা মতুংদা বি জে পিনা ষ্টেট অদুদা ঈরাং থোকহন্নবা শীল্লে। মখা তাবা ঈরাং থোক্লকপা হায়বসি মখোয়না শীনবা ওইগদৌরিবনি।

মীখল মতুংদা ঈরাং মচা-মশু খরা থোকপা হায়বসি হৌনশানি। মসি ষ্টেট খূদিংমক্তা থোক্লিবনি। অসিগুম্বা ঈরাং য়াম্না থুনা লাকশিনগনি। বেঙ্গলদা ভাইওলেন্স অমত্তা থোকহনবা পামদে। অদুবু ইকায়নিংঙাই ওইবা মওংদা মায়থিবা নংবদগী বি জেপিনা কম্যুনেল ঈরাং থোকহন্নবা শীল্লে।

মহাকপু শৌগৎপশিংদা য়ূমদগী থোক্তনবা অমসুং মীখলদা মায় পাকপগী সেলেব্রেসন তৌদনবা খঙহনবা লৈখ্রে হায়নসু মমতানা ফোঙদোকখি।

# ষ্টেটশিংদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১৭ লেম্না পীখ্রে: সেন্টর

ন্যু দেল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী):
হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১৭.০২ হেন্না লেম্না পীখ্রে হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা থোকপা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, সেন্টর গভর্ণমেন্টনা ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগা খূৎশম্নরগা অঙন্বা থাক্তা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক থেংনরি।

টেষ্ট, ট্রেক্কিং অমসুং ট্রিটমেন্টকা লোয়ননা কোভিদ-১৯ এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়র ঙাকহনবগী মথক্তা ভেক্সিন কাপ্পা হায়বসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী পেন্দেমিক অসি লাকশিন্নবা পুথোকপা পোইন্ট ৫গী ষ্ট্রেটিজিগী শরুকশিংনি।

লৈবাক অসিদা চত্থরিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসন কেম্পেইনগী লিবরেলাইজ ফেজ মে ১দগী হৌখি। ফেজ অসিগী ইলিজিবল ওইবা মীওইশিংগী রেজিষ্ট্রেসনগী থবক এপ্রিল ২৮দগী হৌখ্রবনি। বিনিফিসরি ওইগদবশিংনা অরোগ্যা সেতু এপকী খূত্থাংদা নৎত্রগা কো-দল্লিয়ু আই এন হকথেংননা রেজিষ্টর তৌগদবনি।

# জজশিংনা সিটিজনশিংগী অৱাবা খঙবা ঙম্মী: সুপ্রিম কোর্ট



ন্যু দেল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী):
সুপ্রিম কোর্টকী জজশিংসু দেল্লীদা লৈবনা মখোয়সু কেপিটেল সিটি অসিগী সিটিজনশিংনা থেংনরিবা মেদিকেল ওক্সিজেন ৱাৎপগী অৱাবা অদু খঙবা ঙম্মী হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা টোপ কোর্ট অসিনা ওবজর্ভ তৌখ্রে।

জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়, ঐখোয়সু দেল্লীদা লৈ, ফোনদা ৱাকৎ কয়া লাক্লবসু ঐখোয়দা পাম্বে লৈতে। নেসনল কেপিটেলগী সিটিজনশিংনা থেংনরিবা অৱাবা ঐখোয়না খঙবা ঙম্মী।

ওফিসরশিং জেলদা থম্বনা দেল্লীদা ওক্সিজেন লাকহনবা ঙল্লোই হায়না ওবজর্ভ তৌবগা লোয়ননা টোপ কোর্ট অসিনা সেন্টরদা মেদগী কেপিটেলদা ওক্সিজেন কয়াম্না সপ্লায় তৌখ্রবগে হায়না হংখি।

দেল্লী হায় কোর্টকী ওর্দরগী মায়োক্তা থাঙ্গৎলকখিবা সেন্টরগী প্লি হিয়ারিং তৌবদা টোপ কোর্ট অসিনা অকন্নবা ওবজর্ভেসনশিং অসি পীখিবনি। ওক্সিজেন সপ্লায় মেনেজমেন্টকী মতাংদা মুম্বাই ম্যুনিসিপাল ওথোরিটিগী মতৌ তম্নবসু কোর্ট অসিনা সেন্টরদা সজেসন পীখি।

মসি ইন্দিয়া পূম্বদা থেংনরিবা পেন্দমিকনি হায়না পল্লদুনা টোপ কোর্ট অসিনা হায়, ওক্সিজেন সপ্লায় শোয়দনবগী পান্বেশিং পুথোক্কদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা মীয়ামগী অপান্বা থুংহনবা ঙল্লোই।

কোর্ট অসিদা তৌখিবা সবমিসন্দা সেন্টরনা দেল্লীদা ওক্সিজেন এম টি ৫৫০ পীরে হায়না খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং ওক্সিজেন মরাং কায়হন্নবা এম টি ৭০০ পীগদবনি হায়না কোর্টনা সেন্টরদা খঙহনখি।

দেল্লীদা পেন্দমিক্কী ফিভম লুনা লৈ হায়না পল্লদুনা কোর্ট অসিনা সেন্টরদা নুমিৎ মরিনি লেপ্তুনা নোংমদা ওক্সিজেন এম টি ৭০০ করম্না পীগদৌরি হায়বদু নুমিদাং ফাওবগী মনুংদা খঙহন্নবসু হায়খি।

দেল্লীদা ওক্সিজেন এম টি ৭০০ সপ্লায় তৌনবা খঙহল্লিবা দিরেক্সন নিংথৌকাবা নুমিত্তা বেঞ্চ অসিনা রিভিয়ু তৌগনি। কোর্টকী মমাঙগী ওর্দর ঙাকখিদবগীদমক্তা ওফিসলশিংগী মায়োক্তা কন্টেম্পকী প্রোসিদিংস চত্থগনি হায়বা হায় কোর্টকী থ্রেট শীংনরদুনা সেন্টরনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎলকখিবা মতুং য়ুমশকৈশাগী নুংথিলদা হীয়ারিং হৌখিবনি।

# অয়ুশ এপনা হোম আইসোলেসন তৌরিবা কোভিদ পেসেন্টশিং লায়েংবদা মতেং পাংলি

লক্ষৌ, মে ০৫ (এজেন্সী):
সিটিজনশিংবু অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা লাইনা ফংহনবদা মতেং পাংবা 'অয়ুশ কভাক এপ'কী অনৌবা ফিচর অমা উত্তর প্রদেশকী অয়ুশ দিপার্টমেন্টনা পুথোকখ্রে।

মসি অয়ুরবেদগুম্বা মমাঙঙৈ অমসুং মহৌশাগী হেল্থ সিষ্টেমশিংগী কান্নবশিং য়ারিবমখৈ লৌবা ঙম্ন বগীদমক পুথোকপনি। অসিগুম্বা মমাঙঙৈগী সিষ্টেম অসি শেল ইতিংতিংদবদা নত্তনা মসিনা হকচাংগী লায়না থেংনবগী কেপাসিটি হেনগৎহল্লি। মসি মরু ওইনা হোম আইসোলেসন্দা লৈরিবা পেসেন্টশিং য়েংবদা কান্নে। অয়ুশ দিপার্টমেন্টনা কোভিদ-১৯গী লায়েংদা অয়ুর্ভেদগী হীদাক কাঙলোনশিং শীজিন্নবা হেনগৎনবগী থৌরাং অমা অয়ুশ দিপার্টমেন্টনা শেম-শাখি।

অনৌবা ফিচর অদুদা এপ অসিনা লোকদাওন, সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোনশিং ঙাকপগা লোয়ননা পেসেন্টশিংদা খুদোংচাহনগদবা লাইনা ফংবা য়াবা মেদিকেল ট্রিটমেন্ট রিক্কমেন্দ তৌই। ফিচর অদুনা অকোয়বদা ফংলিবা নেচরেল রিছোর্সশিং শীজিন্নদুনা লায়েংবগী মতাংদা মীয়াম্বু ৱাখল তাহল্লি। চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা মতম পূম্বদা অয়ুরবেদা শৌগত্তুনা লাকপগা লোয়ননা হন্দক্তা কোভিদ মেনেজমেন্টতা অয়ুশ য়াওহন্নবা ৱারেপ লৌখি।

# হোস্পিটালগী বেদ ফংদবা কোভিদ পেসেন্ট অহুম এম্বুলেন্স মনুংদা লৈখিদ্রে



সালেম, মে ০৫ (এজেন্সী):
হোস্পিটালগী বেদ ফংদবদগী এম্বুলেন্স মনুংদা লায়েংলিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট অহুম লৈখিদ্রে। সালেম গভর্ণমেন্ট মোহন কুমার মঙ্গলম মেমোরিএল মেদিকেল হোস্পিটালগী পেসেন্ট অহুমগী মনুংদা অমনা মশাগী চহী ৩০ শুরবী নুপীনি অমসুং মীওই অনীনা চহী ৪০ অমসুং ৪২গী নুপাশিংনি।

মেদিকেল কোলেজ হোস্পিটাল অদুদা ওক্সিজেন ফেসিলিটি য়াওবা বেদ ৮০০ লৈরবসু দিষ্ট্রিক্ট অসিদা নুমিৎ খূদিংগী থেংনবা অনৌবা কোভিদ কেস মশিং ৫০০ হেল্লকপদগী হোস্পিটালনা অনৌবা পেসেন্টশিংগী বেদ পীবা ঙমখিদে। মীওই অহুম অসি হোস্পিটালদা বেদ ফংদবদগী এম্বুলেন্সতা লায়েংলি। মখোয় সালেমগী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েং ট্রিটমেন্ট তৌরবা মতুংদা গভর্ণমেন্ট মেদিকেল কোলেজ অসিদা পুরকপনি। এম জি এম কে এম সী ঐচকী দীন দা. আর মুরুগেসাননা ফোঙদোরকপদা হোস্পিটাল অদুগী ওক্সিজেন ফেসিলিটি য়াওবা বেদ ৮০০ লৈ। তৌইগুম্বসুং নুমিৎ খূদিংগী অনৌবা কোভিদ কেস ৫০০ থোক্লকপদগী পেসেন্ট খূদিংমক বেদতা লায়েংবা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইরকখি। পেসেন্টশিং অসি অনাবগী ফিভম লুশিল্লক্লবা মতমদা পুরকখিবা ওইবনা লায়েংবসু লুখি।

কোভিদ কেসশিং লেপ্তুনা ৱাংলক্লিবদু য়েংদুনা সালেম গভর্ণমেন্ট মোহন কুমারামঙ্গলম মেমোরিএল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালগী ওক্সিজেন ফেসিলিটি য়াওবা বেদ মশিং ২০০ হেনগৎহল্লগনি হায়রি।

# বাংলাদেশকী ইস্লামিষ্ট হেফাজাট মিলিটেন্টশিং ইন্দিয়াদা চেনশিনখিবগী পাউ পীরক্লে

কোলকটা, মে ০৫ (এজেন্সী):
বাংলাদেশতা বেজ তৌবা লালহৌবা গ্রুপ হেফাজাট-ঈ-ইস্লামগী মিলিটেন্ট কয়া ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামগুম্বা য়ূমথংনরিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা চেনশিনখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী ইন্টলিজেন্সনা ইন্দিয়ন ইন্টলিজেন্সতা খঙহল্লক্লে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।

সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা হায়, হৌখিবা মার্চতা পাংথোকখিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী বাংলাদেশ খোঙচৎ অদুবু য়ানীংদবা উত্তুনা ভাইওলেন্স চত্থখিবা ইস্লামিষ্ট রেদিকেল গ্রুপ হেফাজাট-ঈ-ইস্লামগী মিলিটেন্টশিং লাকশিন্নবগী অচৌবা কেম্পেন অমা বাংলাদেশকী শৈইখ হসিনা গভর্ণমেন্টনা হৌখি।

হেফাজাটকী মকোক থোংবা লুচিংবা ৫০ হেন্না অমসুং অতৈ ইস্লামিষ্ট জিহাদি টেরর গ্রুপশিংগী মীওই খরা ফাবগা লোয়ননা হেফাজাটতা শেল মতেং পাংখিবা দোনর ৩০০ লোমসু মশক খঙদোক্লে। ফারবশিংদুগী মনুংদা মামুনুল হক য়াওরি। হেফাজাটকী লুচিংবা অসিনা হায়দোরকপদগী মহাক্কী গ্রুপ অসিনা হসিনা গভর্ণমেন্ট চিংথুরগা বাংলাদেশতা টালিবানগা মান্ননা ইস্লামিক ষ্টেট অমা লিংবগী পান্দম থল্লি হায়বসি খঙবা ঙল্লে।

হেফাজাটকী মরু ওইবা মেম্বর কয়া বাংলাদেশতগী চেনখ্রে নৎত্রগা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং মখোয় অসামগুম্বা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা চঙনবা হোৎনরি হায়বা রিপোর্ট খরা ফংলে হায়না বাংলাদেশকী ইন্টলিজেন্সনা ইন্দিয়ন এজেন্সিশিংদা পাউ পীরকখি।

গভর্ণমেন্ট অমদি পুলিস অনীমক মীখলদা মায় ওনশিন্নবা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং অসামগুম্বা ষ্টেটশিংদা ইস্লামিষ্ট রেদিকেলশিং ইরাই লাইনা চঙশিনখিবা য়াবনা ঐখোয়না বাংলাদেশ ইন্টলিজেন্সকী পাউ অসি লুনা লৌদবা য়াদে। ঐখোয়না ষ্টেট পুলিস ফোর্সশিং অমসুং বি এস এফতা মীকূপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে হায়না সেন্ট্রেল ইন্টলিজেন্স এজেন্সিগী তোপ ওফিসল অসিনা মখা তাখি।

হৌখিবা চয়োলদা অসামদা জমাট উলা মুজাহিদ্দিনগী মিলিটেন্ট অনী ফাবা লৈখ্রবনি। বাংলাদেশকী রুলিং অৱামি লীগকী পোলিটিসনশিংনা ৱারিবদি হেফাজাট অমসুং অতৈ ইস্লামিষ্ট রেদিকেলশিংনা য়ূমথংনরিবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লোৎফম শেমদুনা বাংলাদেশকী টার্গেটশিংদা এটেক তৌরকপা য়াই হায়বসিনি। মরম কয়াদগী ইন্দিয়াদা চৎলিবা বাংলাদেশকী সেক্যুলর পোলিটিসনশিং অমসুং কলচরেল পর্সনেলিটি কয়াদা ইস্লামিষ্ট রেদিকেলশিং অসিনা টার্গেট তৌরকপা য়াই হায়না অৱামি মোহিলা লীগকী লীদর অয়েশা জমন শিমুনা ফোঙদোকখি।

# টেলঙ্গানাগী সি এম চন্দ্রসেখর রাও কোভিদ-১৯দগী মপূং ফানা ফরে

হায়দরবাদ, মে ০৫ (এজেন্সী):
টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাও কোভিদ-১৯দগী মপূং ফানা ফরে হায়না মহাক্কী পর্সনল ফিজিসননা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর রাও লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মহাক্কী পর্সনল ফিজিসন ডা. এম ভি রাওগী মীৎয়েং মখাদা রেপিদ এন্টিজেন অমসুং আর টি-পি সী আর টেষ্ট অনীমক পাঙথোকখি। মহাক্কী টেষ্টশিং অদুগী রিজল্ট নেগেটিভ ওইখি।

মমাঙগী চয়োলদা পাঙথোকখিবা রেপিদ এন্টিজেন অমসুং আর টি পি সী আর টেষ্টশিং রিজল্টশিং মিক্স ওইখি। মহাক হৌখিবা এপ্রিল ২৯দা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈরে হায়বসি খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা আইসোলেসন তৌখি। মহাক এপ্রিল ২৮দা এন্টিজেন টেষ্ট পাঙথোকপদা নেগেটিভ ওইখি। মহাক্কী মতাংদা আর টি পি সী আর টেষ্টনসু খূদক্তা চপ চাবা রিজল্ট খঙহনবা ঙমখিদে।

করিগুম্বা মতমদা ভাইরসকী ইন্টেন্সিটি হন্থরকপদগী রিজল্টশিং চপ চাপা চুম্বা ঙমদে হায়না ডা. এম ভি রাওনা ফোঙদোকখি।

পোলিটিকেল সর্কলশিংদা কে সী আর হায়রগসু খঙবা চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রসেখর রাও হৌখিবা এপ্রিল ২১দা হাইদরবাদকী প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা সি টি স্কেন অমসুং অতৈ জেনরেল মেদিকেল টেষ্টশিং পাঙথোকখি।

কে সী আরগী মচানুপাসু ওইরিবা কেবিনেট মিনিষ্টর কে টি রামা রাও অমসুং এম পি সন্তোশ কুমারসু মহাক্তা হোস্পিটালদা চৎমিন্নরুবা মতুংদা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখি।

মখোয়দা অকনবা লাইওংদি চেনখিদে। টেলঙ্গনাগী কোভিদ পেসেন্ট চাদা ৭৫দগী চাদা ৮০ ফাওবদি লাইও উত্তে। অনীশুবা ৱেভ অসিদা লাইওং উত্তবশিং অসিনা কোভিদ ইনফেক্সন শন্দোকপদা মতেং পাংখি।

# মধ্য প্রদেশতা চহী ১৮ হেনবা মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে

ভোপাল, মে ০৫ (এজেন্সী):
মধ্য প্রদেশতা চহী ১৮ মথক্কী মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পগী কেম্পেইন হৌখ্রে। চহী ১৮-৪৪গী মরক্কী মীওইশিং মে ১দগী ভেক্সিন কাপ্পবা থৌরাং তৌরম্বদগী ভেক্সিন ফংদবনা মরম ওইদুনা দ্রাইভ অদু য়ুমশকৈশাদগী হৌনবা য়েথোকখিবনি।

মধ্য প্রদেশ হেল্ৎঠ ইনফোর্মেসন, এদ্যুকেসন কম্যুনিকেসন (আই ঈ সী) ব্যুরোগী দেপ্যুটি দিরেক্টর অর্চানা মুন্দিরনা ফোঙদোরকপদা, ভেক্সিনেসন দ্রাইভ অদু ভেক্সিন ফংবগী ফিভম মতুং ইন্না ষ্টেট অদুদা তাঙ্কক নাইনা চত্থরি। চহী ১৮ মপূং ফারবা মীওইশিং ভেক্সিন কাপ্পা য়াই। ভেক্সিন কাপ্পা য়াবা নুমিৎশিংদি নিংথৌকাবা, য়ুমশকৈশা, শগোলশেন অমসুং নোংমাইজিংনি।

ভেক্সিনেসন প্রোসেসকীদমক বেনিফিসরিশিংনা কো-দল্লিয়ু আই এন পোর্টেলদা মখোয়গী রেজিষ্টর মোবাইল নম্বর হাপকদবনি। নম্বর হেক হাপ্পগা মখোয়গী মোবাইল ফোনশিংদা দিজিট তরুক্কী ও টি পি লাক্কনি। ও টি পিদু সবমিট তৌরবা মতুংদা বেনিফিসরি অদুগী অকূপ্পশিং উবা ফংগনি। মদুদগী খ্বাইদগী নকপা ভেক্সিনেসন সেন্টর খল্লগা ভেক্সিনেসন মতম বূক তৌগদবনি। রেজিষ্ট্রেসন্দা আধার কার্দ, পান কার্দ, দ্রাইভিং লাইসেন্সকুম্বা ফোটো আই দি চঙগনি।

য়ুমশকৈশা নুমিত্তা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১২,৩১৯ দিটেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী অপূনবা ইনফেক্সন মশীং ৬,২৪,৯৮৫ য়ৌরে। ইনৌ নৌনা মীওই ৭১ শিখিবগা লোয়ননা লাইচৎ অসিদা শিবা মশীং ৬,০৭৪ শুরে।

# টেলঙ্গনাদা অনৌবা কেস মশিংদগী কোভিদতগী ফরকপশিংগী মশিংনা হেল্লে

হায়দরবাদ, মে ০৫ (এজেন্সী):
থংন-থংননা অহুমশুবা নুমিৎ ওইনা টেলঙ্গনাদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অনৌবা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন মশিংদগী লায়না অসিদগী ফরকপশিংগী মশিংনা হেনখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পূং ৮দা লোইশিনখিবা পূং ২৪গী মনুংদা অনৌবা কেস ৬,৩৬১ রিপোর্ট তৌখি অমসুং পূন্না মীওই ৮,১২৬ কোভিদ লায়নাদগী মপূং ফানা ফরবা মী মশিং পূন্না ৩,৮৯,৪৯০ শুরে।

লায়েংবদা ফরকপগী চাং নেসনল এভরেজ চাদা ৮২গী মায়োক্তা চাদা ৮২.৯১দা ইমপ্রুভ তৌখি। এক্টিভ কেস মশিং ৭৭,৭০৪দা হন্থরে। চয়োল অসিগী অঙনবদা এক্টিভ কেস মশিং ৮০,০০০ হেনখি।

পেন্দমিক অসিদা ইনৌ নৌনা মীওই ৫১ শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা শিবা মী মশিং ২,৫২৭ শুরে। টেলঙ্গানাদা কোভিদ পেসেন্ট শিবগী চাং ০.৫৩ ওইদুনা নেসনল এভরেজ চাদা ১.১গা চাংদম্নবদা ফিভম খরা ফরি।

অনৌবা কেসশিং অসি থারগা ষ্টেট অসিগী অপূনবা কেস মশিং ৪,৬৯,৭২২ শুরে। হৌখিবা পূং ২৪ অসিদা গভর্ণমেন্ট অমসুং প্রাইভেট লেবোরেটরিশিংনা সেম্পল ৭৭,৪৩৫ টেষ্ট তৌখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টনা নুমিৎ খূদিংগী থোকপা মিদিয়া বুলেটিনগী মতুং ইন্না, ষ্টেট অসিদা হৌজিক ফাওবদা সেম্পল ১,৩২,৬৭,২৫২ টেষ্ট তৌখ্রে। হৌজিক তৌরিবা টেষ্টকী চাং মীওই মিল্লিয়ন অমগী মনুংদা সেম্পল ৩,৫৬,৪৫৪নি। গ্রেটর হাইদরবাদতা নুমিৎ খূদিংগী থেংনবা কেস মশিং খরা হেনগৎলক্তুনা ১,২২৫ য়ৌরে। হাইদরবাদকা তায়নবা মেদচাল মলকজেগিরি অমসুং রঙ্গরেসিদা মথংশীৎনা ইনফেক্সন ৪২২ অমসুং ৪২৩ থেংনখি।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ৩৩গী মনুংদা দিষ্ট্রিক্ট ১১গী কেস মশিং দবল দিজিটতা রিপোর্ট তৌখি। ত্রালগোন্দা দিষ্ট্রিক্টতা কোভিদ ইনফেক্সন লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি। দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ইনৌ নৌনা কোভিদ কেস ৪৫৩ থেংনখি। অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংগী ফিভমদি করিমনগরদা কেস ২৪৮, মিদিপেটতা ২৪৪, সুর্য়পেটতা ২৩৯, ৱারেঙ্গল অর্কানদা ২৩৪, গঙ্গারেদ্দিদা ২২৭ অমসুং মহাকুবনগরদা ২২৪নি।

# বিহারদা ওক্সিজেন নারোন্দা য়োল্লম্বা মীওই ৩ ফারে



পটনা, মে ০৫ (এজেন্সী):
ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং থমজিল্লগা ব্লেক মার্কেটিং তৌরম্বা মীওই মরি বিহার পুলিসকী ইকনমিক ওফেন্সেস য়ুনিট (ঈ ও য়ু)না ফাখিবগা লোয়ননা মীওইবগী থৱায় কল্লিবা গ্যাস অসিগী সিলিন্দর ২০সু ফাগৎখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং লায়েংবদা শীজিন্নবা তঙায় ফদবা মেদিকেল সপ্লায়শিং ব্লেক মার্কেটিং তৌনরক্লিকৈঙৈদা অসিগুম্বা মীওইশিং ফাবগী কেম্পেইন চত্থরক্লিবনি। ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপনা মরম ওইদুনা কোভিদ পেসেন্ট কয়া শিখ্রবনি। পেসেন্ট কয়া নমদুনা মমল ৱাংনা লৈহন্দুনা লায়েংহল্লি।

ঈ ও য়ুনা রেইদ পাঙথোক্লবা পুলিস পর্সনল ১০/১০ য়াওবা টিম অনী শেম্বগা লোয়ননা দেদিকেটেদ ফোন নম্বরশিং য়াওবা লেপ্তুনা মথৌ তৌবা কন্ট্রোল রূম অমসু শেম্লে। নারোন্দা ইসেন্সিএল মেদিকেল সপ্লায়শিং য়োল্লম্বা থেংনরবদি মীয়াম্না অমসুং এন জি ওশিংনা নম্বরশিং অদুদা পাউ পীগদবনি।

কোরোনাভাইরসকী মীপাইনবা লৈরকখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা ট্রেদর খরনা লায়েংবদা চঙবা মরু ওইবা পোৎলমশিং নারোন্দা য়োন্দুনা শেন্দোং চাওনা তান্নরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কেপিটেল পটনাগী পাত্রাকর নগর পুলিস ষ্টেসন এরিয়াদা লৈবা মৌরয়া হোস্পিটালগা নক্লবা মাধব মার্কেটতগী লিটর ৫০গী ওক্সিজেন সিলিন্দর ১২ ফাখি। সিলিন্দরশিং অদু ধিরাজ কুমার মেহতা অমসুং কামেশ্বর ৱাই কৌবা ট্রেদর অনীনা লোন্না থমজিল্লম্বনি।

পুলিসনা অগমকুৱান পুলিস ষ্টেসন এরিয়াদসু রেইদ তৌদুনা লিটর ৫০গী অতোপ্পা সিলিন্দর মঙাসু ফাখি। ট্রেদর অনী ফারবা মতুংদা মখোয়না হায়বদগী সিলিন্দরশিং অদু ফাখিবনি। মসিগী মমাঙদা এস কে পুরি পুলিস ষ্টেসন এরিয়াদা রেইদ চত্থবদা কে জি মঙাগী ওক্সিজেন সিলিন্দর ৫৭ ফাখি। ঈ ও য়ুগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না, ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং অসি পটনাদা হোম ক্বারন্টিন তৌরিবা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদা মহৌশাগী মমলদগী শরুক ১০ হেন্না হায়বদি লুপা লিশিং ৪০ ফাওবা য়ৌনা য়োল্লি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা বিহারগী হোস্পিটাল কয়াদসু ওক্সিজেন অমসুং রেমদেসিভিরগুম্বা হীদাক ৱাৎপগী প্রোব্লেম লৈখি।

হেল্থ দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা হৌজিক বিহারদা নোংমদা মেদিকেল ওক্সিজেন এম টি ২৫০ রোম মথৌ তারবসু ষ্টেট অসিনা ফংলিবা চাংনা নোংমদা এম টি ১২০-১৩৫ নি। নুমিৎ খূদিংগী সেন্টরনা বিহারদা পীরিবা ওক্সিজেনগী চাকথুং অসি এম টি ২১৪নি।

# ইন্দিয়ানা কোভিদ-১৯ থেংনবদা কম্পনি কয়ানা মতেং পাংলি



ন্যু দেল্লী, মে ০৫ (এজেন্সী):
ইন্দিয়ানা অনীশুবা অমসুং মীশি-মীনা হেন্না থোকহল্লিবা কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ থেংনবদা মতেং ওইনবা লুপা ক্রোর ৪০ দোনেসন তৌরগনি হায়না য়ুমশকৈশা নুমিত্তা য়ু এসকী হোম ইমপ্রুভমেন্ট রিটেলর লোৱেনা থাজবা পীখ্রে।

কম্পনি অসিনা পীগদৌরিবা শেনফম অদু মেদিকেল ইক্বিপমেন্ট, ওক্সিজেন কন্সেন্ট্রেটরশিং অমসুং সিলিন্দরশিং, ওকিসজেন জেনরেসন প্লান্টশিং মচাক-মথুমশিং লৈবদা অমসুং ভেক্সিনেসন দ্রাইভতা শীজিন্নগনি।

কম্পনি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, কোরোনাভাইরস লাইচৎ কনশিল্লক্লিকৈঙৈদা ইন্দিয়াবু লাইচৎ অসি থেংনবদা মতেং পাংনবা লোৱেনা কোভিদ-১৯ রিলিফ ওইনা লুপা ক্রোর ৪০ কন্ট্রিব্যুট তৌরগনি হায়রি।

লোৱে য়ু এসনসু ঐখোয় খূদিংমকপু সেফ ওইনবা অমসুং হকচাং ফনা লৈহন্নবা চোকথবা নাইদনা থবক তৌরিবা ফ্রন্টলাইন ৱর্করশিংনা শীজিন্নবগীদমক্তা ইন্দিয়াদা দি পি ঈ কিটকী মচাক মথুম লিশিং লিশিং থারকপা লৈখ্রে হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তাখি।

লোৱে ইন্দিয়া ইন্টরেষ্টশিংদা টেক্নোলোজি, এনালিটিক্স, বিজনেস ওপরেসন্স, ফাইনান্স অমসুং একাওর্ন্টিং, প্রদক্ট মেনেজমেন্ট অমসুং স্যের্দ সর্ভিসশিং য়াওরি।

য়ু এসকী কম্পনি অসিদা নত্তনা সেমসং ইলেক্ট্রোনিক্সকী সবসিদারি হার্মোন ইন্টরনেসনলনসু কোভিদ-১৯ থবকশিংদা মতেং ওইনবা পি এম-ক্যেরমতা লুপা ক্রোর ১০ কন্ট্রিব্যুট তৌখ্রে।

পেন্দেমিক অসিবু লৈবাক পূম্বনা অমত্তা ওইনা থেংনরিবসি পূক্নিং থৌগৎনিংঙাইনি। কম্যুনিটি য়াইফনবগী কম্মিটমেন্টকা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ ক্রাইসিস থেংনবদা মতেং ওইনবা ঐখোয়না পি এম ক্যেরেসতা ফন্দ খরা অসি কন্ট্রিব্যুট তৌরি। ইন্দিয়ানা কোভিদ ইনফেক্সন লাকশিন্নবা হোৎনরিবা অসিদা ঐখোয় খূদিংমক্না মতেং পাংলসি খন্না হার্মান ইন্দিয়াগী মেনেজর প্রথাব দৈভানায়াঘমনা ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

মসিগী মমাঙদা কম্পনি অসিনা লাউথোরকখিবা অমদা কম্পনি অসিগী মেদিকেল বেনিফিটস প্রোগ্রামদা মমিং য়াওরবা ইন্দিয়ন ইমপ্লোয়ী অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওই ৮,৪০০ রোম ভেক্সিন কাপ্পদা চঙবা শেনফম পুথোক্কনি হায়খি।

কম্পনি অসিনা এপোলো হোস্পিটালগা খূৎশম্নরগা কম্পনিগী ইমপ্লোয়ীশিংদা মেদিকেল ক্যের ফংনহনবগা লোয়ননা মখোয়গী ইন্সুরেন্স কোভরসু হেনগৎহনখি। মেদিকেলগী অরুবা ফিভমশিং থেংনবদসু কম্পনি অসিনা ইমপ্লোয়ীশিংদা শেলগী মতেং পীরি।